# অনৌবা মায়ওন অমা ওল্লদ্রা মণিপুর?



- এস ইন্দ্রকুমার-

থা কুন মপূম ফাখিদুনা কুনমাথোইশুবা থাদা চঙশিল্লক্লি - কুকিনা মীতৈদা কাইহৌদুনা লানগী মশক লৌরক্লিবা 'হাৎন-শুনবা' (ভাইওলেন্স)। ঙসি হয়েং লোইখিগনি হায়বগী থাজবা লৈতে। অতোঙবা চীংথক্তা, তেংকোৎকুম্বা অকুৎপা তম্পাক-লম (ইম্ফাল ভেল্লি) গী অকোয়বা, মায়কৈ মরিমক্তা কুকিশিংনা বঙ্কর শাদুনা লৈরগা, অথাপ্পদা লৈবা পোৎ নকশিন্না উবা বাইনোক্যুলরগী মতেং লৌদুনা য়েংলগা কাপথরক্কবা পোজিশন লৌবা-মশীং য়াম্লবা সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা অয়াবা পী, ঙাক শেন্দুনা থম্মী... ঙসিদি 'দ হোল ৱর্ল্ড নোজ'। খঙদবা লৈত্রে। নৌরিবা অঙাং অমসুং নুপী-নহা ফাজিন্দুনা থল্লগা তমথীনা হাৎপা... আর্মি কেম্পস মনুংদগী সিভিলিয়ন মাঙহনবা... আর্মিনা শেন্বা বফর জোন লানশিল্লুবা মীতৈশিং ফাদুনা হাৎপা/মাঙহনবা... অসিনচিংবা থৌদোকশিং, মরাল লৈবা ফাদুনা চৈরাক পীবদুদি তোকখিসি, করম্না থোকখিবনো? লংলা-লংজিন পুথোকপফাও ঙমদ্রবা ষ্টেট অমদি 'সেন্ট্রেল ইন্টেল্লিজেন্স'নি। অদুনা, খল্লি কুকিশিংনা - 'ইন্টেল্লিজেন্স দিপার্টমেন্টকী ওফিসরশিংদগী হেন্না ইন্টেল্লিজেন্ট ওইবা কুকিনি'। অদুগীসু মথক্তা ইন্দিয়ন সেন্ট্রেল ফোর্সশিংনা মখোয়গী পাঙ্গল হাপ্লিবা য়াঙলেন শরূ অদুনি। নাগা অমসুং মীতৈশিং - উশিৎপা লৈতে কনাবু। তৌনীংবা মতমদা এটেক তৌনি, কাপ্নীংবা মতমদা নোংমৈ কাপ্নী, নেশনল হায়ৱে অমত্তদা মীতৈ চৎপা ঙমহল্লোই... চহী অমা/অনী/অহুম শোক্লরগা লোইগদবা লান নত্তে, লোইনাইদবা লান অমনি। ইন্দিয়া লৈঙাক্না লাউথোক্তবই ৱাতনি, কুকিনা খল্লি - 'মখোয় কুকিলেন্দদা লৈরিবনি... কুকিলেন্দ দিমান্দ ফংখ্রে মখোয় হান্ননা'...।

মী নত্তবা, মী ওইদ্রিবা কুকিগী ৱারীসি ইররোই খল্লুরবনি কয়ারক। চহী অনী শুরক্কদৌরে, পূক্নিং-ৱাখল অনীমকসিবু পোথাহল্লক্ত্রিবা মখোয়না। মী ওইনা হিংবা হৈত্রিবা, শাগুম ঙা'গুম পংহিং হিংগদবা মখোয়গী ৱাখলনা পূন্সিসিবু অসুম্না মশক থিহনগদবা নত্তে, খনখি - লৈগী ফজবা থিবগুম থিগদবনি পূন্সিগী ফজবা। থিননবা হোৎনরুই, হোৎনরি। ফজবা থিবা খোঙচৎপু অরায়বা খোঙচৎ ওইগদ্রা? তিঙ্খং যূবা হৌনশানি। যূরক্লিবা তিঙ্খংদু হন্দোকপখক্তনা অমুক হন্না যূরক্তনবগী পাম্বৈ নত্তে। মাঙহনবা তাই-মৈ থাদুনা। তিলাইখোম্বীবু য়োক্তুনা থম্বা, মীওইবা কনা লৈবগে। মাঙহনবা তাই- নেৎখায়দুনা।

চৈনা ফংলবা থম্মোয় অমগী ঈচম চম্বা তেংথাখোলনি। চুম্না তেংথাজবনি। থম্মোয়গী অপাম্বা ফোঙদোকচবনি। ঐহাক খঙই-লৈপাক অসি লো-মেকরশিংনা, শেমদুনা থল্লবা লো অমগী মখাদা চলাইরিবনি। লো (আইন) না য়াদবা থবক অমত্তা লৈবাকসিদা লৈরিবা নাগরিক অমত্তনা তৌবা য়াদে। আইন'না য়াদবা থবক তৌবা মীদুবু কৌই 'লো-ব্রেকর'। লো ব্রেকরশিংবু ৱায়েলশঙনা চৈরাক পী।

অদুবু, ঐখোয় খঙই - লৈবাকসিগী নাগরিক নত্তবা, লৈবাকসিগী লো খঙদবা মীরমদগী হাইজিল্লক্তুনা মীচেন ওইনা লৈররবা মখোয়না থোকহনবনি - লৈবাকসিদা থোক্লিবা তাহৈদবা, য়েংহৈদবা থৌদোকশিং। মখোয়, লৈবাকসিগী সংবিধান মশক খঙদে, নেশনল ফ্লেগ ইকায় খুম্নদে, নেশনল এন্থেম/নেশনল সোং মচীনবান্দা পক্তে, মরৈবাক নুংশিবগী ইহুল মথম্মোয়দা চেন্দে। মরমদি মখোয়গী মরৈবাক/মরমদম লৈতে। লৈতবদু লৈহন্নবা হোৎনবনি। মীগী মরৈবাক্তুদা মরৈবাক অমা শেমগৎনবা হোৎনরিবনি। মদুগীদমক লান্দারিবনি - মবুক তপ্পা, পুকচেল চাউবা মীতৈদা। মখোয় খঙই - মীতৈশিংবু কিহল্লগা, মীতৈশিংবু ওৎলগা, মণিপুরদগী 'কুকিলেন্দ' কৌবা লমদম অমা শেত্তোক্লগা শেমহৌদ্রবা, কুকিলেন্দ'গী মঙলান কৈদৌঙৈদা মঙফাওনররোই। 'ঐখোয় লান লেপ্পা য়াদে, লান অসি লেপখ্রবা কুকিলেন্দ কৈদৌনুংদা ফংলরোই'... মখোয়গী লুচিংবা অমনা হায়খিবা, ভাইরেল ওইরবা ভিদিওদু উনখ্রবনি পূম্নমক্না।

হৌজিক্তি ৱাখল খনবা কোক, ইন্টেল্লিজেন্টসিয়া পূম্নমক্না খঙলে থোক্লিবা থৌদোকসি কুকি-মীতৈ-কনফ্লিক্ট নত্তে, ইন্দিয়া'দা তৌরকপা 'এক্সটর্নেল এগ্রেশন' মখল অমনি। নাকল অহুম'না খূৎয়েক পীনদুনা য়ানখিবা 'সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন' (সূ) গী নাকপাক অমা ওইরিবা, খূৎলায় পায়বা কুকি-লূপ কুনমরি অদুগী মেম্বরশিংনা, য়ান-ৱারোল অদুগী মরু ওইবা চৎনরোল, গ্রাউন্দ রুল থুগাই হায়বইদমক মণিপুর লৈঙাক, এগ্রীমেন্টতুদই মপান থোকখ্রবনি। ত্রাইপর্টাইট টোক তৌনবদা য়াওখিদ্রবনি। ত্রাইপর্টাইট'তগী বাইপর্টাইট ওন্থোকখ্রবরা ... হিংজ্রোং-কাইজ্রোং মফম-মরাং খঙখিদ্রবনি। লাউথোকখিদ্রবনি। ২০২৫গী ফেব্রুৱারীদা টর্ম অসিসু লোইখ্রগনি। য়ান-ৱারোল অসি মখা তানা শাংদোকখিগদ্রা, হান্নগুম মফম-মরাং খঙহন্দনা থমদৌরিবরা? খঙলগনি কুইররোই। অদুবু ঐখোয় মসিমদি খঙই ময়েক শেংনা হৌজিক হৌজিকমক মীতৈদা এটেক তৌবদা শীজিন্নরিবা বোম, ঢোপ, নোংমৈশিং অসি ইন্দিয়ন মিলিটরিদা উত্তুনা, সরেন্দর তৌদুনা ছো লোনশিন্দুনা থমখ্রবশিংদু অমত্তা নত্তে। মপান লৈবাকশিংদগী ম্যান্মার ফাওদুনা পুশিল্লকপা, হোনজিল্লকপা ঙাক্তনি। ঙসিসু লেপ্তুনা সপ্লাই তৌরক্লি। অমেরিকান এজেন্ট অমনা, কুকি মিলিটেন্টশিংগী কেম্প'তা চত্তুনা ৱারী শাবা মতেং পীবই ভিদিও-উনখরে পূম্নমক্না।

নিংথৌগী মনাদি ফক্লাংদা থেৎপনি, ইন্টেল্লিজেন্স দিপার্টমেন্ট মহাক্কীনি, ঐখোয়না তারিবা পাউসিদি সেকেন্দ-হেন্দ-ইনফোর্মেশন'নি, মঙোন্দা য়ৌরিবা পাউদুদি ফর্ষ্ট-হেন্দ হায়বদুনি। ঐখোয়না তাদবা/খঙদবা কয়াসু খঙলমগনি মহাক্তি। মখা তানা তমজররোই, তম্লিংবদি কয়ানি।

পাউ নত্তবা ৱারী অমা লৈ, ঐখোয় মরুপ-মপাং পুল্লগা হেক হেক শানবা। পাউ তম্বা নত্তে, ইনফোর্মেশন স্যের তৌবনি। ঐখোয়না খন্নে - করিগুম্বা ঈরাং অসি মথংগী জেনরেল এসেমব্লি ইলেক্সন - ২০২৭, নৎত্রগা, ৱান নেশন ৱান ইলেক্সন চৎনরক্তুনা ২০২৯দা ইলেক্সন পাঙথোরকপা ফাওবা ঈরাং নৎত্রগা লান অসি শোয়দনা মখা চথরল্লবদি কমদৌবা? কুকিশিং, ইলেক্সন'দা মীরেপ ওইনা থোল্লক্কদ্রা? অয়াম্বগী ওপিনিয়ন'নি - মখোয় মীরেপ ওইরক্লোই। ওইরকপা থোল্লবসু করিগুম্বা, মহাক্তু শোয়দনা হাত্তোকখিনি। এম এল এ/মিনিষ্টর ওইদুনা লৈরবা মখোয় তরামক, অকনবা মীতোপশিংদুই য়াথং ইন্দুনা তিঙ্গোং কাঙ্গোং ওইদুনা 'সুম লৈরিবসিনি। মরৈবাক নুংশিবগী নত্তে, মথ্বায় পাম্মুবগীনি। মখোয়না থাজৈ অসুম্না, মীতৈদা লেপ্তুনা এটেক তৌরগা, মখোয়গী দিমান্দ 'সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন' ফংগনি। মীতৈদা মীওৎ-মীনৈ লেপ্লবা- দে ৱিল বি নো- হোয়র। কুকি লেন্দ দিমান্দ মঙদা মঙ্গ্রা তানবই থৌদোক তারনি। কনাগুম্বা অমনসু হায়রকখি - ৱার ফোর কুকিলেন্দ ৱিল বি এ নেভর এন্দিং ৱার, কুকি-মীতৈ হান্নগুম অমুক লৈমিন্নরকপা ওইথোল্লরোই... অদুদি, মখোয়না লৈরিবা লম 'কুকিলেন্দ'নি - মশানা তারে হায়রক্লোইদ্রা... নো! হায়রক্লোই। মরকসিদা তকথোকখিগদবনি মরমদা... ময়ূম লৈতবা মখোয়গী কদায়দনো মরমদম... ময়ূম লৈব/লৈতবা, মখোয়না চেল্লকখিবা মফমদুমক্তদা হলহনখিগদবনি...। ওইথোকপা ৱারগদবা এরেঞ্জমেন্ট অসিগী খল্লুবদনি মকোক লৈবা য়োংজাওশিংনা তূমিন য়েংদুনা লৈথোক্লিবা।

অদুবু, হৌজিক্তি মণিপুরগী হৱা-নুংশিৎ নীংথিনা খঙলবা অনৌবা গভর্ণর অমা থুংলরে। মানা ৱাশক লৌবা নুমিত্তা কুকিশিংনা মপাঙ্গল উৎথোকখ্রে। য়েংশি মানা করি তৌরকপগে? ●

# ফাইন আর্টসতা কুমজা ২০২২ মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি মনা ফংলবা ভিজ্যুএল আর্টিষ্ট অরিবম জয়চন্দ্র শর্ম্মা



- তোংব্রম অমরজিৎ -

অরিবম জয়চন্দ্র শর্ম্মা কুমজা ১৯৫৬কী ফেব্রুৱারী ১দা ব্রহ্মপুর লাইপুবম লৈকায়, ইম্ফাল ইষ্টকী লৈখিদ্রবা অরিবম তোম্বী শর্ম্মা অমদি লৈখিদ্রবী লাইময়ূম য়াইমগী মপারি ওইনা তাইবঙদা খোঙদারকখি। নহা ওইরিঙৈদগী হৌনা লাই য়েকপা পামজদুনা লাকই। মসিমক্লা কুমজা ১৯৭৯দা ইম্ফাল আর্ট কোলেজদা চহী মঙাগী ফাইন আর্টসতা দিপ্লোমা তমখি। মসিগী মতুংদা কুমজা ১৯৮৪দা বোম্বে য়ুনিভর্সিটিদা বেচেলর ওফ আর্কিটেকচর অমুক তমখি। মণিপুর মনুং অমসুং মপান্দা ফাইন আর্টসপু পূক্নিং থৌগৎলিবা হীরম অসিবু চাওখৎনবা হোৎনরিবা অমদি মীওইবা খুন্নাইদা তুং কোইনা কান্নবা কয়া পীনবা মতম খুদিং থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনরিবা লূপ কয়ানা শিন্দুনা পাঙথোকপা আর্ট এগজিবিশনশিংদা ভিজ্যুএল আর্টিষ্ট জয়চন্দ্র শর্ম্মাসু লেপ্তুনা শরুক য়াদুনা লাক্লি। খরদং পল্লবদা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি, আর্টস সোসাইটি মণিপুর, আর্ট এন্দ কলচর, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুর, বির্লা একাদেমি, ওল ইন্দিয়া ফাইন আর্টস এন্দ ক্রাফ্টস সোসাইটি (আই এফ এ সী এস), আর্ট পনোরমা, ললিট কলা একাদেমি, ন্যু দেল্লী, রাষ্ট্রিয় ললিট কলা কেন্দ্র কোলকটা, ভিক্টোরিয়া মেমোরিএল হোলদা গ্রুপ এগজিবিশন, ইন্দিয়া আর্ট ফেষ্টিবেল, মুম্বাই, ঈ জেদ সী সী অমদি মণিপুর লৈঙাক্না কোলকটাদা শিনবা কন্টেম্পররি এগজিবিশন ওফ মণিপুর, আর্টস সোসাইটি মণিপুরনচিংবা লূপ কয়ানা শিনবা আর্ট এগজিবিশন কয়াদা শরুক য়াদুনা লাক্লি। অসিদসু নত্তনা গ্রুপ আর্ট এগজিবিশন কয়াদা মহাক্কী পূক্নিং হুনীংঙাই ওইবা অমসুং ৱাহন্থোক লৈরবা আর্ট ৱার্কশিং উৎতুনা লাক্লি। বেঙ্গলোরদা কুমজা ১৯৯৪দা পাঙথোকপা কলা মেলা, কুমজা ১৯৯৫দা কোলকটাদা পাঙথোকপা কলা মেলা, বরানসিদা, ন্যু দেল্লীদা, মুম্বাইদা, য়ু এস এদা, ন্যুয়ো জিনগী গ্রুপ শোদা, লোক্তাক ফোকলোর ম্যুজিয়মদা পাঙথোকপা কালেন আর্ট এগজিবিশনদা, আর্টস সোসাইটি মণিপুরনা কুমজা ২০২৪দা একাদেমি ওফ ফাইন আর্টসতা শিনবা কলর এন্দ স্ট্রোক্স গ্রুপ আর্ট এগজিবিশনদা মহাক্কী পেন্টিংশিং উৎলুবা লৈরে। কলা অসিবু পামজরুবা ওইবনা মণিপুর মনুং অমসুং মপান্দা পাঙথোকপা আর্ট ৱার্কশোপ কয়াদা শরুক য়াদুনা লাক্লি। অদুগা ইন্টরনেশনল আর্ট কেম্পশিংদসু শরুক য়াদুনা ফজরবা পেন্টিং কয়া পুথোক্লিবা ভিজ্যুএল আর্টিষ্টনি।

ঈনাৎকী ওইবা পেন্টিং মখল, লমদম অসিগী লৈবাক লৈহাও, পূন্সি মহিং অমসুং কলা সংস্কৃতিগা মরী লৈনবা পেন্টিংবু য়োকখৎপা পামজবা আর্টিষ্ট অমা ওইনা ত্রেদিশনেল পেন্টিংগী ৱার্কশোপশিংসু শরুক য়াদুনা লেপ্তুনা পেন্টিং মখল কয়া পুথোক্লি। হীরম অসিদসু হেন্না কূপ্না খঙনবা হোৎনবদা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা পাঙথোকপা ত্রেদিশনেল পেন্টিং ৱার্কশোপশিংদা ফাওবা চৎতুনা শরুক য়ারি। মণিপুরদা ফাইন আর্টসকী ঈহৌ অমা লেপ্তুনা শাগৎনবা হোৎনবদা জয়চন্দ্রসু লেপ্তুনা হোৎনরিবা লমদম অসিগী ভিজ্যুএল আর্টিষ্টশিংগী মরক্তা মহাকসু অমনি। মসিদা মহাক্কীসু থৌদাং লৌফম থোকই হায়দুনা সেমিনার পেপরনচিংবসু পারি। নীংশিংবা য়াবদি 'মণিপুরদা লাই শাবগী খোঙচৎ', শক্লাইরবা লাইয়েকপা হঞ্জবম শ্যাম্মো শর্ম্মগী চহী ১০০ শুবগী মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈননা পাখিবা 'হঞ্জবম শ্যাম্মো শর্ম্মা', সিম্পোজিয়মদা 'প্রজেন্ট সিনারিও ওফ কন্টেম্পররি আর্ট মুভমেন্ট ইন মণিপুর' অসিনচিংবনি।

অরিবম জয়চন্দ্র শর্ম্মা শক্লাইরবা লমদম অসিগী ভিজ্যুএল আর্টিষ্ট অমা ওইবতা নত্তনা আর্কিটেক্ট ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ফাওবা ওইরম্মী। আর্কিটেক্ট অমা ওইনা অমসুং মশানা ভিজ্যুএল আর্ট অসিবু পামজবা ওইনা তোঙান-তোঙানবা লৈবাক্কী ওইবা লন অমা ওইরবা কলচরগী মচাক কয়া য়াওরবা দিজাইন কয়াসু মহাক্না তৌখিবা লৈরি। নীংশিংবা য়াবশিংগী মনুংদা ভোপালদা লৈবা আই জি আর এম এস কমপ্লেক্সতা লৈরিবা উমং লাই স্রাইন, আই এন এ কমপ্লেক্স মোইরাংদা লৈরিবা হিষ্টোরিকেল টেম্পলগী দিজাইন, কংলা উত্রা, খোংজোম ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্স, মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর অমদি চীফ মিনিষ্টরগী ব্লোক্তা লৈরিবা দুমগী মথক্কী পেন্টিং, মার্জিং পোলো কমপ্লেক্সকী দিজাইন, বিজয় গোবিন্দগী মান্দবকী ত্রেদিশনেল পেন্টিং, বংসিবুদোন, গোপিনাথ অমসুং রধামাধোপ লাইশঙ, নিংথৌখোং অসিনচিংবা মফম কয়াগী দিজাইন অমসুং পেন্টিংশিং জয়চন্দ্রনা তৌখি। মসিমক লমদম অসিগী কলচর অমসুং ত্রেদিশনবু মহাক্না নুংশিজরুবা অমদি হায়রিবা ইনাক খুল্লবা ত্রেদিশন অসিবু মাঙখিদনবা হোৎনবদা মহাক্কীসু লৌফম থোকপা থৌদাং অদুদি লেপ্তুনা লৌরিবা ভিজ্যুএল আর্টিষ্টনি।



অরিবম জয়চন্দ্র শর্ম্মা



Peace-II ( Award) winning Painting of Aribam Joychandra Sharma

মণিপুরগী ওইনা পাইওনিয়র ওইরিবা আর্টকী লূপ অমা ওইরিবা চহী ৫০ হেল্লবা আর্টস সোসাইটি মণিপুরগী সেক্রেটরিগী থৌসু জয়চন্দ্রনা পুরমখি। অদুগা প্রসিদেন্ট ওইনা কুমজা ২০১৭-২০১৯ ফাওবসু লূপ অসিগী থবক থৌরম কয়া শিন লাংদুনা পাঙথোক্লমখি। হৌজিকসু অদুমক হোৎনবদি লেপ্তে। মাঙদা চঙশিল্লিবা আর্টিষ্টনি। কুমজা ২০১৬-১৯ ফাওবা এন ঈ জেদ সী সীগী এগজিক্যুটিভ অমদি গভর্নিং বোদিগী মেম্বরসু ওইরম্মী অদুগা ২০২০-২৩ ফাওবসু ওইরম্মী। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমিগী কুমজা ২০১৯-২০২১ ফাওবা এগজিক্যুটিভ বোর্দ মেম্বরসু ওইরমখি।

মহাক্না আর্টকী লম্‌দা খুদোল তল্লিবা অমসুং মহাক্কী আর্ট ৱর্কশিংগী মেরিটতা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা কলা ভুষণ ২০২২ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। 'রবিন্দ্র কলা রত্না পুরস্কর ২০২৪', ইন্দো স্পেনিস ইন্টরনেশনল এৱার্দ ২০২৪, রাজা রবি ভর্ম ২০২৪, সিনিয়র কেটেগোরিদা ভারত আর্ট সোসাইটিনা পীখি।

মীওইবগী সিভিলাইজেশন অমদি হৌরকপগী চেনাশিং অসিমক হিংশা অমদি লানফম কয়াগী তমথীবা ৱারীনা পীক থল্লি করিগুম্বা পুৱারীগী লামায়শিং হাংদোক্তুনা য়েংলুরবদি। পাঙ্গল কনবনা অশোনববু তুহৎপা, নমথবীবা অসিমকসু বেসিক ইন্সটিঙ্কট ওইনা য়াওরবগুম তৌরি। মরমদি মালেমদা লান পামদে হায়দুনা লাউরিবা চাউরবা শক্তি লৈরবা লৈবাকশিং ফাওবা অশোনবা লৈবাকশিংদা অরোৎপা অফোঙবা লাল্লোং কয়া চথদুনা লানদি লেপ্তে ঙসিসু। লৈনুংগী খনি মুন্নরি অমদি ইনাক খুনবা ওইবা তান্নরি। নাপল তৌনা হিংলি মীওইবনা অমসুং অশিবা হায়বসিগী লমন তোল্লগা লাক্লিবনি হায়বসি হেকহেক কাউথোক্তুনা মেটরিএল পূন্সি মহিংদা লুপ্তুনা পূন্সিগী ৱাহন্থোক করিনো খঙদনা হিংনরি মীওইবনা। তৌইগুম্বসুং কলাবু পামজবশিংদি, লাই য়েকপদা ঙাওজবশিংদি করিগুম্বা খরা খুদোল তম্লিংই মালেমদা। করিগুম্বা খরা মখূৎনা য়েক্তুনা, হক্তুনা কলাগী পোথোক ওইনা পুথোক্তুনা পাউজেল অমতংসু চেন্নীংই। মরমদি ঙসিগী মালেমসে প্রোব্লেম কয়ানা লাঙ্গোই চনশিল্লক্লি। চাওখৎপদা খম থেংলে হায়রিবা রুসিয়া লান তৌরি। আরব লৈবাক্তা মচি-মচিদা লানদি লেপ্তে। চীংলৈবাক্কী মণিপুর, পোক্লফম লমদম অসিদসু অপীকপা ৱাখল খনবশিংনা লান শীংনরি। মালেম অসিমক গ্লোবেল ভিলেজনি হায়না লাউরবসু লানগী মৈরিদি খাম্বা ঙমদে। অমদা নৎত্রগা অমদা হেক্তা লান তৌরকই। মসিবু নুংঙাইরমগদ্রা। লান হায়বসি অৱাবনি, মৈশানি, মৈরিনি। মসিনা চাকথেকখিবদা তাঙ্গোই হেক্তা তাখি। হিরোসিমা, নাগাসকি, এটোমিক বোম করিবু কানবা পুরকখিবগে মীকপ মীরাওখোল নত্তনা। মালেমদা শান্তি পুরক্লবদি লেপ্তুনা হোৎনরি শান্তি পামজবশিংনা, মীওইবা অমসুং মালেম অসিবু নুংশিজবশিংনা। শান্তিবু ইখৌ লাংলিবা পূন্সিবু নুংশিনা নীংলিবা মীওইশিংগী মরক্তা ভিজ্যুএল আর্টসশিংসু অমনি।

অইবশিংনা লাইরিক কয়া ইরি, শৈরেং, ৱারেং ফোঙলি। সাইন্টিষ্টশিংনা মীওইবনা হিংবদা নুংঙাইনা হিংনবা মখল মখা কয়াগী পোৎলমশিং পুথোক্লি। মেদিকেল সাইন্সনা হীদাক লাংথক কয়া পুথোক্লি। পূম্নমক মাগী-মাগী থৌদাং লৌনরি মীওইবনা মালেমদা হিংবদা ঈংনা, নুংঙাইনা লৈনবা পূন্সি নুংশাংনা পান্নবা। অদুবু নেচরগী লোদি হেক-হেক থুগাইরি, মসিগী চৈথেংসু মীওইবনা ফংলি। পূম্নমক অসিগী মমি আর্টিষ্টশিংগী পেন্টিংদা মমি তাদনা তোক্তে।


লান পামদে, শান্তি পাম্মী মীওইবনা। অদুবু কল্লক য়েংথীবা মশাগীতা খনবশিংনা লানদি তৌনীংলি। ফত্তবা ইনর্জি অমদি মসিবু লমজিংলিবা ফত্তবা পূক্নিং ৱাখলবু শান্তি অমদি ঈংথ-তপথবা পুরক্লবনি আর্টিষ্টশিংনা শান্তিদা যূম্ফম ওইবা পেন্টিং কয়া য়েক্লিবা। পাউজেল চেল্লিবা অনৌবা খুনুদা। অরিবম জয়চন্দ্রগী মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমি মনা (ফাইন আর্টস) ফংলবা পেন্টিং 'পিস ২' অসিমক ঙসি ঙসিমক মণিপুরদা লান্দাশিল্লকপগী থোক্লিবা লান অসিদা পাউজেল অমদি চেল্লি অমসুং মালেমদা লান তৌরিবশিংদা শান্তিগী পাউজেল পীরি। মীচম মীয়ামদি লান পামদে। মণিপুরগী অতিয়া মহৌশাগুম্না তরু-তরুবা শংবান্নবা অতিয়া ওইহন্নীংই। মণিপুরগী চীংশাং পরেংশিং মহৌশাগুম ইশং-শংহন্নীংই হায়বদুগী নুংশিরবা পাউজেলনি জয়চন্দ্রগী পেন্টিং 'পিস-২'। ইকায়খুম্নবা অমসুং শকখঙবা ওইনা মণিপুর লৈঙাক্না শেল ওইনা লুপা লিশীং ৫০ য়াওবা এৱার্দ অসি ফংলকপদা হরাও তরাম্বা ফোঙদোকচরি। মতুং তারকপদসু চোকথবা লৈতনা তুরি পায়বীদুনা লেপ্তুনা শান্তিগী পাউজেল চেনবা ঙম্বা পেন্টিং কয়া য়েক্লকখিগনি হায়না থাজবা থমজরি। ●

# 'ঐ অমুক লাকখিনি'

- আর কে বুধিমন্ত কর্টা -

য়ু কেদা লৈবা রিচার্দ ক্লিফ, ৱর্ল্ড ৱার-২দা লাম্মী ওইনা ইম্ফালদা লাক্লম্বা অহল ওইরবা রিটাইয়র্দ সিফাই অমনি। মশুনিপাদা মণিপুরগী ফজবা, বৃটিশকী লৈঙাক্লোনগা মণিপুরগী লৈঙাক্লোনগা লৈনবগী নুংঙাইরবা পুৱারীগী ৱারী কয়া লীবা, লোক্তাক্কী ফজবা, পোলোগী ৱারী, শিরুই লিলিগী, সঙাইগী ৱারী, অনীশুবা ৱর্ল্ড ৱার-২দা শিখিবা এল্লাইদ আর্মিগী war cemetary পূম্নমক লীবী। রেদ হিল হায়না খঙনবা মাইবম লোৎপা চীংদা থোকখিবা তু চুংলবা লানফমগী ৱারী পূম্নমক মচা খায়না মশুনীপা এদৱার্দতা তোয়না লীবী। এদৱার্দ পোলো শান্নবা পামজবা মশাগী চহী ২৭ শুরবা পাখংনি।

ইন্টরনেটকী মতম ওইবনা গুগলদা চঙলগা পোলোগী মতাংদা হেন্না খঙনীংদুনা থিরুবদা মণিপুরদগী হৌদোকখিবগী ৱারী, সঙাই ইন্টরনেশনল পোলো টুর্নামেন্ট থেংনৈ। অমুকসু লোর্দ অরৱিননা "Switzerland of East" হায়রম্বা Manipur a paradise on Earth। জৱাহরলালনা "Jewel of India, Imphal" কৌবা লাইরিক্কী কোভরদা "a flower on the lofty heights" হায়না দিস্ক্রাইব তৌবীরম্বা থেংনরুবদগী মণিপুর চৎতবা য়াদে হায়দুনা মণিপুরদা টুরিষ্ট অমা ওইনা লাকখি। মানা ইম্ফাল এয়রপোর্টতগী টেক্সি তোংলগা লাকপদা সড়ককী লম্বী নাকলদা, ময়ায়দা শগোল পোনি উবদা মা তশেংনা ঙকচখি। মানা খনখি পোনিবু কয়াম লুনা দিষ্টর্ব তৌবীদনা মনীং তমহল্লিবা লমদমনি মণিপুর। সিননি মালেমদা পোলোগী হিষ্ট্রিদা মণিপুরনা হৌদোকখিবনি হায়রিসি। ঐ থাজৈ... মানা হোটেল য়ৌরকপা মতমদসু লম্বীগী চিদাইদা অমোৎ-অকায় চারিবা শগোলশিংদু উবদা মহাক্না খনখি পোলোদা হৈথোই-শিংথোইবসিবু অসুম্না প্লাষ্টিক চেখাওদা য়োল্লগা হুন্দোরকপা পোৎ চৈ প্লাষ্টিকক্কা পূন্না চাবগীরা... মা অহিং তূম্বা য়াদে খনবদা। পর্মিট মতম লোইদুনা হনবা তারে মহাক্না হায়রমখি। ঐ অমুক লাকখিনি নোইগী "Paradise on Earth" হায়বা মফমদো য়েংবা নংহৌদ্রে। ●



হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৫ গী ৱাহং

১) ''ওক্লসিগে নঙবু করম্না
হে অনৌবা চহী
নীংথিবী ফিজোলদা আশাগী
চংখোল্লবা নকেদা অনৌবা ৱাশক্কী...॥''
শৈরেং মতেক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্তা য়াওবা শৈরেংনি। অইবা অসি কনানো? য়াওরিবা শৈরেং লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?

২) ''শক্তম মচু মচুগী'' হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

৩) ''লৈকোন নুংদ'' (১৯৬৮) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো? অইবগী মমিং হায়য়ু।

৪) ''কমলাকান্তগী কোর্বেক'' হায়রিবা লাইরিক অসি অতোপ্পা লোল অমদগী মণিপুরীদা হন্দোকপনি। মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা অইবা অসি কনানো?

৫) ''য়েন্নিং থানা হল্লক্লবদা'' হায়বা লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্লো? করম্বা মখলগী লাইরিক্লো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, যূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।